**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ওপরেসন তৌদুনা অঙাং উন্নবগী চাং য়ামা ৱাংলিবা অসি মখা তানা হন্থহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

২) লৈবাক শিনবা থুংবদা চত্থরিবা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু লু-নানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

৩) মেট বিভাগনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্য খরা অমসুং খা ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি।

৪) ত্রিপুরাদা নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা অমসুং ওল ত্রিপুরা তাইগর ফোর্সকী মীওই ৫০০ হেন্না সরকারনা চংজরকখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী হকশেল রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা ঙসি নিউ দিল্লিদা তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেন টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে।

------

রঞ্জন (এল)ঃ মণিপুরদা সিজরিয়ান সেক্সন তৌদুনা অঙাং উন্নবগী চাং য়ামা ৱাংলম্বা অদু হৌজিক খরদা ওইরবসু হন্থরক্লে হায়না রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহনা ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি শুরক্সিত মাত্রিকভা অভিয়ান অমসুং অতৈ মেটরনেল হেলথ প্রোগ্রামগা মরী লৈননা ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- সিজরিয়ান তৌদুনা অঙাং উন্নবগী চাং হৌজিক হন্থরক্লিবা অসিদগী খরগা হেন্না হন্থহন্নবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নশি। ডাঃ রঞ্জন্না মখা তানা হায়- মণিপুরদা মতম খরগী মমাংদা ওপরেসন তৌদুনা অঙাং উন্নবগী চাং অসি চাদা ৮৫ য়ৌরকপগী তাঞ্জা অমা লৈখি। মসিমক লমদম অসিগী ওইনা অফবা খুদম নত্তে। মরম অদুনা মসিনা সমাজ অসিদা লাক্কদবা অকায়বশিং অদু খঙদুনা সরকার অসিনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগা খুৎশমদুনা হোৎনরকপনা ঙসিদি অঙাং উন্নবদা ওপরেসন তৌবগী চাং খরা মখৈ হন্থহনবা ঙমলে। মহাকা হায়- থৌরাং অসি হেন্না মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা গাইনিগী ডোক্তরশিংদগী হৌরগা খুদিংমকা পুন্না হোৎনমিন্নরবদি মশিং হন্থহনবা ঙমগনি। মসি মায় পাকবা হোৎনবদা লম অসিদা থবক তৌরিবা খুদিংমকা পুকচেল শেংনা পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

মেটরনেল হেলথ দিভিজন, ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা আই প্লেজদ ফোর নাইন এচিভরস এৱার্দকী মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মণিপুরদা খ্বাইদগী য়ামা দেঙ্গিগী পোজিতিভ কেস থেংনরিবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈশামথোংদা ঙসি দেঙ্গি এৱারনেস হেলথ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্তর ক্বাকৈথেলগী মখাদা য়ুথ ইন্তিগ্রেসন ক্লবনা শিন্দুনা কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাই ৱার্দ নম্বর ১১ দা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা সেন্তর অসিগী এম.ও ইনচার্জনা দেঙ্গিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

স্বাচতা (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা চথরিবা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদসু ল্-নানবগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস সেনাপতিনা এস.দি.ও.এ.এম, দি.এস.এ, এস.দি.বি.এ, এস.দি.দব্লিউ.এ অমসুং বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন এন্দ এথলেটিক্স এসোসিয়েসন্না জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং অমদি মিনি ষ্টেদিয়মশিং শেংদোকপগী থৌরম চথখি। মসিগী মথক্তা সেনাপতি ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদসু শেংদোকপগী থবক চথখি।

স্বাচতা হি সেবা কেম্পেন থৌবাল জিলাগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী মখাদা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা এঙ্গলো মণিপুর ৱার মোন্যুমেনট সাইটতা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি গ্রাম পঞ্চায়ট থাক্তা অমসুং পি.ঐচ.ই.দি থৌবালনসু পাঙথোকখি।

৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন সি.আর.পি.এফনসু ইম্ফালগী চৈরাউ চীংদা কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লম তু শেংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। লমফেল এরিয়া পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কমিতি অমসুং নহারোল লৈশেম্বা ক্লব থাংমৈবন্দ শিনাম লৈকাইনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মফম অদুগী অকোইবদা উ চারাশিং থাখি।

থাখায় অমা চথগদবা স্বাচতা হি সেবা ফেরজোল জিলাদসু মপুং ফানা চথরি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা এক পের মা কে নাম অভিয়ানগী মখাদা ফেরজোল গভর্নমেন্ট হাইস্কুলদা উ চারাশিং থাখ্রে।

কম্যুনিতি হেলথ সেন্তর পারবুংনসু লৈবাক শিনবা থুংবদা চথরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ স্বাচতা হি সেবা ২০২৪ কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা স্বাভব স্বাচতা, সংস্কার স্বাচতা হায়বা হিরমদা চান্দেল জিলাগী কোমলাথাবী প্রাইমারি হেলথ সেন্তরগী অকোইবা লম তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম

অদু সাউথ ইষ্ট মণিপুর কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিত অমসুং কলেজ অসিগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলনা পুন্না শিনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী ওজা অমসুং মহৈরোইশিং, এন.সি.সি কাদরশিং অমসুং পি.ঐচ.সিগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

সিবিসি (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা চয়োল অমা চত্থগদবা হিন্দি সপ্তাহগী থৌরম ঙসিদগী ইম্ফালগী ৱাংখৈদা ওফিসতা হৌখ্রে।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর হিন্দি পরিষদ ইম্ফালগী জেনেরেল সেক্রেটরি ডাঃ অরিবম ব্রজাকুমার শর্ম্মনা হায়- ভারতকুম্বা পাক চাউরবা লৈবাক অমদা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা লোল ওইরিবা হিন্দিব্ চাওখৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। ওফিসিয়েল লেঙ্গুএজ এক্ট ১৯৬৩ গী চৎন কাংলোন মতুংইন্না সরকারগী ওফিসশিংদা হিন্দি লোল শিজিন্নবগী তঙাইফদবা অদুসু মহাকা পনখি। থা অসিগী ৩০ ফাওবা চত্থগদবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং, শৈরেং শৈদিন্নবা, রচনা ইবা চাংদমবনচিংবা পাঙথোক্কনি।

জিঙ্খ (এল)ঃ হৌখিবা তাং ২০ অমসুং ২২ দা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা খুন্দ্রাকপম বিধান সভা কেন্দ্র গী ইমুংশিংদা এম.এল.এ- টি.ঐচ. লোকেশ্বর সিংহনা জিঙ্খ য়েনথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী লোকেশ্বরনা হায়- নোংলৈ নুংশিৎ অদুদা উয়ুমপোক, পাৎলৌ অমদি লৈতানপোকপী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা য়ুম ৪৪ রোম অমাং অতা থোকখি। অমাং অতা থোকখ্রবা য়ুমশিংদা সরকারগী মাইকৈদগীসু মতেং পীগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে।

নোংঃ মেট বিভাগনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্য খরা, কেরলা, অন্ধ্র প্রদেশকী সমুদ্র খোঙবান, রায়লসিমা, তেলঙ্গনা, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ,

বিধরভা অমসুং ছত্তিসগরগী মফম কয়াদা নোং চুগনি হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাগী মফম কয়াদসু ঙসি নোং চুগনি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী চেরোল অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। কাংপোকপী, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল অমসুং চুরাচান্দপুরদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলদনা সেন্তিমিতর ১১ গী চাং য়ৌনা নোং চুগনি।

দিসি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুংদা লৈবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট পোলিতিকেল পার্তি ওইনা শকখঙলবা রাজনীতি দলশিংগী ওইবা মীফম অমা মথং থাগী ৮ দা পাঙথোক্কনি। মীফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎতা লৈবা দি.সি ওফিসতা অয়ুক পুং ১০ মখায় তাবদা পাঙথোক্কনি।

জিলা অসিগী দি.সি খুমনথেম দাইনা দেবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র ১০ গী পোল্লিং ষ্টেসনশিং নৌনা শেমদোকপগী মতাংদা খন্নগনি। দলশিংগী প্রসিদেন্ট নত্রগা সেক্রেটরিনা মখোয় মখোয়গী মীহুৎ অনি অনি মীফম অসিদা থারকবসু খঙহল্লক্কি।

এআইএসএফ (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা রাজ্য অসিদা ভেন সার্ভিস তৌরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী ভেনশিংগী কেপাসিতি য়েংলগা মহৈরোইশিং পুবীনবা আপীল তৌরি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- মহৈরোই মশিং হেন্না পুবনা মখোয়দা নুংঙাইতবা অমদি ৱান্থরকপা ফাওবা য়াওবনা ভেন সার্ভিস তৌরিবশিংনা মশিং হেন্না পুবীদনবা হায়রি।

আরপিএফ (এল)ঃ আইন্না থিংখ্রবা লুপ পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি.এল.এ)গী ৪৬ শুবা কুমওন থৌরমনা লাকপদা লুপ অসিগী এক্তিং

প্রসিদেন্ট এম.এম. ঙৌবনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- পি.এল.এ লিংখৎলকপদগী লুপ অসিগী লান্মী কয়া পুন্সি লোমখ্রে। মখোয়গী মফমদা লুপ অসিনা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

থৌবাল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিস থোবালনা শিনবা দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ ফেষ্টিভেল থৌবাল ২০২৪ ঙসি থৌবল ক্ষেত্রি লৈকাই হাওতাবী লম্পাক্তা লৈবা মল্টি পরপজ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে। য়ুথ ফেষ্টিভেল অসিদা জিলা অসিগী নহা কয়ানা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং- লাইয়েকপা চাংদমবা, শৈরেং শৈদিন্নবা, ৱারী মচা ইবা অমসুং নাৎকী ওইবা ঈশৈ অমসুং জগোইনচিংবদা অথোই অহেন তান্নখি। থৌরম অদুদা দি.এফ.এ থৌবালগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা সাইগী রিটয়ার্দ এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর কে. মাইকেল সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস থৌবাল, দেবেন মোইরাংথেম য়াওনা অতোপ্পা মাওই কয়ানা শরুক য়াখি।

তুংদা চাংদমবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা সার্তিফিকেট অমদি শেলগী মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

এক্সিদেন্ট (এল)ঃ য়াইরিপোক খোইরোম মখা লৈকাইগী য়াইরিপোক চন্দ্রখোং লম্বীদা লৈবা গোল্ডন পিল্লর ফাউন্দেসন স্কুলগী মনাক্তা শক্তিমান ত্রক অমনা খামদুনা লৈবা গাড়িশিংদা থেংজিনবদা মীওই মরি অশোক অপন নংলে। শোক্লবশিং অদু অনকপা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েং চথরি। লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা অমাং অতা থোক্লবা গাড়িশিং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

সিএয়ু (এল)ঃ নোনে জিলাগী লৌমীশিংদা শেন্থোক হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা নোংমগী ওইবা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা লেক কল্টিভেসনগী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ সেকেন্দরি এগ্রিকলচর, নামকুম রাঞ্চিনা স্পোন্সর তৌদুনা ওল ইন্দিয়া নেটৱার্ক প্রোজেক্ট- কঞ্জার্ভেসন

ওফ লেক ইনসেক্স জেনেতিক রিছোর্সেস সি.এম.য়ু ইম্ফালনা শিনবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সি.এ.য়ুগী প্রোফেসার ডাঃ এল. নবচন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা নোনে জিলাদগী লাকপা লৌমা ৩০ দা লেক কল্টিভেসনগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনখি। তুংদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী এন্তোমোলোজি দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা লাইরিক- সাইন্তিফিক মেথদস ওফ লেক কল্টিভেসন ফোর ফার্মরস এদ্দিসসনেল ইনকম ফোংখি।

ব্লড (এল)ঃ  এন.এস.এস য়ুনিত নৈলিট ইম্ফাল অকামপাৎ, লাইফ সেবরস মণিপুর, ১৯৭৯  দি.এম.সি.এস ষ্টোলৱার্দস মণিপুর, ঐচ.দি.এফ.সি বেঙ্ক ইম্ফাল অমসুং রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন্না পুন্না খুৎশমদুনা নেসনেল সার্ভিস স্কিম এন.এস.এস ডে ২০২৪ গা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা নৈলিট ইম্ফালগী সেমিনার হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মীওই ৬০ না ঈ দান তৌখি।

তমেংলোং (এল)ঃ  চহি নৌরিবা অঙাংশিং অশোই অঙাম থোকহন্দনবা অমসুং হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং থিংননবগী মতাংদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিং, সার্ভিস প্রোভাইদর অমসুং এন.জি.ওশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা তমেংলোং হেদক্বাটরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং প্রোজেক্ট মুফতি অনিনা শিনবা থৌরম অদুদা অঙাংশিংবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবগী মতাংদা লৈরিবা আইনশিং, পোক্সো এক্ট, চাইল্ড রাইটস অমসুং হিরম অসিদা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ    সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং দিপার্টমেন্ট জ্লোজি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা পুন্না শিন্দুনা লিন মশক খঙদোকপা, কনবীবা অমদি লিন্না চীকপগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি মন্সিপুখ্রি ফোরেষ্ট ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অদুদা মণিপুরদা ফংলিবা লিন মখলশিং

মশক খঙদোকপা, মখোয়বু কনবা মতমদা অশোই অঙাম থোকহন্দবা অমদি লিন্না চিকপা মতমদা ফার্ষ্ট এইদ করমা পীগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি।

ফিলম (এল)ঃ দোক্কুমেন্টরি ফিলম মেক্কর মিনা লোংজমগী দোক্কুমেন্টরি ফিলম- অন্দ্রো দ্রিমস, ১৩ শুবা ইরান ইন্তরনেসনেল ফিক্স ফেষ্টিভেলদা উৎনবগীদমক খল্লক্লে। ফিলম অসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা আই.এ.দব্লিউ.আর.টি এসিয়ান ৱিমেন ফিলম ফেষ্টিভেল অমসুং ১০ শুবা কোলকাতা পিপলস ফিলম ফেষ্টিভেলদসু উৎখ্রে।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাদা নেসনেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা অমসুং ওল ত্রিপুরা তাইগর ফোর্সকী মীওই ৫০০ হেন্না সরকারনা চংজরকখ্রে। সেপাহি জালা জিলাগী জমপুই জালাদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লালহৌলুপশিং অসিনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিংগা লোয়না মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহা, চীফ সেক্রেটরি জে.কে. সিনহা অমসুং দি.জি.পি অমিতাব রঞ্জন য়াওবা থৌরম অমদা চংজরকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা হায়- লালুপশিং অসিগী মীওইশিংনা মহৌশাগী পুন্সিদা চংলকপা অসিনা রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি। মহাকা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগা কেন্দ্র সরকারগা য়ান্ন-ৱারোল ১২ সহি তৌনখ্রে। মসিগী মনুংদা ত্রিপুরা খক্তদা য়ান্ন-ৱারোল অহুম সহি তৌনখ্রে। মহাকা য়ান্ন-ৱারোল অসিনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকপদা শান্তি পুরকপদা চাউনা মতেং ওইরি। কেন্দ্র সরকার, ত্রিপুরা সরকার, এন.এল.এফ.টি অমসুং এ.টি.টি.এফনা নাকল অহুমগী ওইবা শান্তিগী চুক্তি অমা থা অসিগী ৪ দা নিউ দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদা সহি তৌনখি।

হেলথ ঃ    কেন্দ্রগী হকশেল রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ রাও যাদবনা ঙসি নিউ দিল্লিদা তোবেকো ফ্রি য়ুথ কেম্পেন টু পোইন্ট জিরো হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- কেম্পেন অসিগী খুত্থাংদা মীয়ামদা হিদাকমনা চাবনা হকচাংদা শোকহল্লিবা অদুগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহন্নবনি। ভারত্তা চহি খুদিংগী হিদাক মনা চাবদগী মীওই লাখ ১৩ রোম শিরি। মন্ত্রিনা হায়- কেন্সর লায়নাখক নত্তনা হিদাক মনা চাবনা অতোপ্পা লায়না কয়া নংহল্লি। মহাকা হায়- হিদাক মনা শিজিন্নদবা মীরোল অমা শেমবগীদমক নহাশিংগী থৌদাং য়ামা মরুওই। হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসি লৈবাক অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইবতা নত্তনা সরকার অসিনা ভারতপু হিদাক মনা শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা শ্রী প্রতাপ রাও যাদবনা লৈবাক শিনবা থুংবদা লৈরিবা মেদিকেল কজেলশিংদা সেসেসন সেন্তর হাংদোকখি। নহাশিংগী মরক্তা হিদাক মনা শিজিন্নবা থিংনবা হন্দক্তা কেন্দ্র সরকার রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা এদভাইজরি থাখ্রবনি। কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয় অমসুং হকশেল মন্ত্রালয়না পুন্না খুৎশমদুনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা এদভাইজরি থাদুনা তোবেকো ফ্রি ইদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসন্স গাইদ লাইন্স এন্দ মেন্যুএল মপুং ফানা চৎনহন্নবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি- হৌরক্লিবা মীরোলশিংবু হিদাক মনা শিজিন্নবদগী ঙাকথোক বা অমসুং হিদাক মনা শিজিন্নবগী ফত্তবশিং অমদি মহৈ লোইশঙশিংগী অকোইবদা হিদাক মনা শিজিন্নদনবা থৌরাংশিং লৌখৎনবনি। এদভাইজরি অদুনা স্কুল, কলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিতিশিংদা গাইদ লাইন অসি চৎনহনবগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগা হকশেল অমসুং পুন্সি ফনা লৈনবগীদমক্তনি।

ইলেক্সন ঃ  জম্মু কাশ্মীরগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী বিধান সভা মীখল হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা জিলা ৬ কী বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা ভোৎ থাদনগনি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়- তাঙ্কক অসিদা ভোতর লাখ ২৫ লিশিং ৭৮ না মীরেপ ২৩৯ গী মরাইবক লেপকনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ

ওইরিবশিংগী মনুংদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লাহ্ য়াওরি। ভোৎ অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইশিনগনি। তাঙ্কক অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ৩,৫০২ হাংদোক্কনি। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক ৱেব কাষ্টিংগী খুদোংচাবা লৈগনি। পাউ অদুনা হায়- লাঞ্জেন্নরক্লিবা কাশ্মীরি পন্দিৎ লিশিং ১৫,৫০০ তাঙ্কক অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন ২৪ দা ভোৎ থাদবগী খুদোংচাবা পীরি।

যুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অহুম থোকা পাঙথোক্লি। থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোৎ থাদবগী চাং চাদা ৬১ ওইখি। ভোৎ মশিং ওক্তোবর ৮ দা থীগনি।

------